হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ মেক্রুক # ২৮৯

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরীশিং মরু ওইনা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা পান্বীশিংগী মনুংদা মেক্রুক নৎত্রগা মেংক্রুক হায়রিবা পান্বী অসিসু অমনি। মৈতৈশিংনা য়াম্না লিরবা চৎনবীদা অয়ূক অঙনবা অমদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা তিকি মৈ থাদুনা মদুদা মেক্রুক মকুপ খরা চাইশিন্দুনা মৈখু কাহল্লগা তোপ-তোপ্পা মনম অমা থাদোকহন্দুনা লাই খুরুম্বগী মওং অসিনি। তিকি থারগা লাই খুরুম্বগী চৎনবী অসি ঙসিদি মমি শামথরক্লে। তিকিগী মহুত্তা অগর্বতি থাবগী চৎনবী অমা ওইনা লাক্লি। হিন্দুশিংনা লাইশঙদা ধুপ থাদুনা মেংক্রুক শীজিন্নবগী চাংদি অদুমক য়াম্না ৱাংনা লৈরি। মরম অসিনা মেক্রুক পান্বী অসি হিন্দুশিংনা অশেংবা উ পান্বী অমনি হায়না লৌনরি। মেক্রুক পান্বী অসি হিন্দি অমসুং বেঙ্গোলিদা ধুনা (Dhuna), অসামিজদা ধুনা নৎত্রগা নেরেবি (Nerebi), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *কেনারিয়ম বেঙ্গুলেন্সি (Canarium bengalense Roxb.)* হায়না কৌই অমসুং *বুরসরেসী (Burseraceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিগী মনুংদা জেনেরা ১৮ অমসুং স্পিসিস ৭০০ রোম লৈবগী পাউদমশিং লৈ। কেনারিয়ম হায়রিবা জেনেরাগী মমিং অসি মালে (Malay) গী ৱাহৈ কানারি (Kanari) অসিদগী লৌথোকপনি। মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নবা স্পিসিস খরদি কেনারিয়ম ইন্দিকম (Canarium indicum L.), কেনারিয়ম সোলোমোনেন্সি (Canarium solomonense B.L. Burlt.), কেনারিয়ম হারভেয়ী (Canarium harveyi Seem), কেনারিয়ম এলবম (Canarium album L.), কেনারিয়ম ওদোন্তোফাইলম (Canarium odontophyllum Miq.), কেনারিয়ম লুজোনিকম (Canarium luzonicum Miq.) অসিনচিংবনি।



মেক্রুক হায়রিবা পান্বী অসি ফুট ৮০ ফাওবা ৱাংবা ইভরগ্রীন হায়বদি মতম পুম্নমক্তা মনা শংদুনতা লৈবা মনা য়াম্না পুঙবা অচৌবা উ পান্বী অমনি। উ অসিগী মকু অদু মরোল ২ থোক্না খাইদোকপা য়াই। মপান থংবা মকু অদু পাতক তৌনা উৎ মচু চঙলপ্পা শংই অদুগা মনুং থংবা মকু অদুনা য়াম্না থাই অদুগা মচু অদুনা গুলাপ মচু নৎত্রগা ঙাংতক তৌই অদুবু লিশিল্লক্লবদি চোকোলেট মচু ওল্লকই। হায়রিবা মকু অদু থাংনা হেক ককপদা মনম য়াম্না চেনবা ঙাংতক তৌবা অমদি নপ-নপ লাওবা গম অমা থোকই অমসুং মসিবু মেক্রুক হায়না কৌনৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না মেক্রুক পান্বী অসি ইন্দিয়া, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, লাওস অমসুং থাইলেন্দদগী হৌরকখিবনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা মেক্রুক পান্বী হৌবা মরু ওইবা মফমশিংদি অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, নোংপোক থংবা হিমালয়গী লমদমশিংনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মেক্রুক পান্বী অসি তমেংলোংগী মফম কয়ামরুমদা হৌই। খা থংবা চাইনাগী মফম খরদসু মেক্রুক পান্বী অসি হৌবগী পাউদমশিং লৈ। মেক্রুক পান্বী অসি সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৪০০দগী মিটর ১৩০০ ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌবা থেংনৈ।

ইষ্ট ইন্দিয়ন কোপাল (East Indian Copal) হায়না খঙনবা মেক্রুক পান্বীগী মনা অদুদা য়াওবা মনিল থুনা কাগনবা থাও অদু ষ্টিম দিসটিলেসন (Steam distillation) গী মতেংনা লৌথোকপা য়াই। হায়রিবা থাও অদুদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি সেবিনেন (Sabinene) চাদা ১৫.৯, কেরয়োফাইলি (Caryphyllene) চাদা ১৭.৫ অমসুং ইপি-বাইসাইক্লোসেসকুইতর্পীন (Epi-bicyclosesquiterpere) চাদা ১০.৫ অসিনি হায়না পাউদমলি।

লাবা অমসুং অমোম তোঙান তোঙান্না হৌবা মেক্রুক পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি মেক্রুক অসি লাই খুরুম্বগী ধুপ-থাওমৈ কৎপদা মরু ওইনা শীজিন্নে। হীদাক ওইনা মেক্রুক অদু কুপ্পা তকখায়রগা লফোই অমুনবা মতোং খরদা নমশিল্লগা য়োৎহন্দুনা অঙাং মশা য়াম্না শাগৎপা অমদি অমাংবা য়ৈখৎপদা শীজিন্নে। পাউদম অমগী মতুংইন্না মেক্রুক পান্বীগী ময়ায় ওইরপ্পা লিরবা মনা অদু শুগাইরগা শেন্বা মলম অদুদা মেক্রুক মকুপ খরা চাইশিল্লগা চাং নাইনা তৈদুনা খোঙ-খূৎ তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদু লায়েংনবগী মথক্তা খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা শীংলি থুপ্পা অদুসু লায়েংনৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না মেক্রুক পান্বীগী উগী মকুদগী লৌবা গম অদু অশোকপা মফমদা থোম্বদা থুনা নাই চাহন্দুনা থুনা ফগৎহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নে। য়ারি-য়াখোঙ পোন্বা, চাথৎপা অমদি চিকপা-নাবা তৌবদা মেক্রুক পান্বীগী গম অদু য়াখোঙদা থোম্বদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। মেক্রুক পান্বী মখলশিংগী মখা পোন্না হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী মওংসু তোঙাল্লি। অয়াম্বা স্পিসিসশিং অসি বেক্টেরিয়াগী ওইবা হিংকুপ মখল কয়ামরুম হাৎপা ঙম্বগী মথক্তা এন্টিওক্সিদেন্টকী চাংসু ৱাংনা য়াওবগী পাউদমসু লৈ। কেনারিয়ম ইন্দিকম হায়রিবা স্পিসিস অসিদগী লৌবা গম অদু থবাক নাবা অমসুং শ্বর হোনবদা খেবা অদুদা চাং নাইনা তৈদুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী লায়েংলক্লি। হায়রিবা পান্বী অসিগী গম অসি তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদা থোইদোক্না মগুন লৈবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা পেন্টেসু ফংখ্রবনি। চাইনিজ ওলিভ হায়নসু কৌনবা কেনারিয়ম এলবম হায়রিবা স্পিসিস অসি চাইনাগী অনা-লায়েংদা বেক্টেরিয়া অমসুং ভাইরসকী ওইবা অনাবা মখল কয়ামরুম লায়েংনবগী মথক্তা মীওইবগী হকচাং মনুংদা হূ কাবা অদু লৌথোকহন্নবা হীদাক ওইনসু শীজিন্নে। হায়রিবা স্পিসিস অসিগী গম অসি লিন অমসুং হূ কাবা জিবশিংনা চিকপদা থোমদুনা লায়েংনৈ। খোঙ হামথবা, লোক খুবদা ঈ য়াওবা, ঈতোন ফায়বা, এন্টেরিটিস (Enteritis) হায়রিবা অপিকপা থীবোং থীরিলদা নাবা লায়না অসিগী লায়েংদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। কেনেরিয়ম সুইনফুর্থী (Canarium schweinfurthii Engl.) হায়রিবা স্পিসিস অসি কোঙ্গো অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকাদদি খোঙ হাম্বা য়াদবা, মলেরিয়া, নুপা-নুপীগী ফিনুংগী লায়নাশিং, নুপীনা অঙাং উন্নরবা মতুংদা তোয়না থোক্নবা লায়নাশিং অমসুং তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা লায়েংনৈ। ইন্দোনেসিয়াদদি কেনেরিয়ম লিতোরেল (Canarium litorale L.) অসি হকচাং মনুংদা ঈ থোকপা অদু লায়েংনবগী পাউদম লৈ। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

লমলোং কৈথেলদা মীৎয়েং অমা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

খুরাই লমলোং কৈথেল, ইম্ফাল ইষ্টকী য়াম্না মরু ওইবা কৈথেল অমা ওইরে, অদুগা কোভিদ-১৯ লায়না শন্দোকফমসু ওইরে। মসিদগী ঙাকথোক্লবা য়াম্না মরু ওইবা পান্বেদি কৈথেল অসিদা মী য়াম্না তিন্দনবা খুরাই এ সী, ৱাঙ্খে এ সী, হৈঙাং এ সী অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সীখক্তগী পোৎ য়োনবা/য়োনবীশিং য়োন্নীংবা মীওইবনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং য়োলহলসি। কৈথেল অসিদা খুন্দ্রাকপম এ সী, লম্লাই এ সী, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা পোৎ লৈবা লাকই, লৈবীয়ু য়োনবা লাকপশিং য়োনবীয়ু কুইনা মতম লৌবীগনু। শিংজমৈ এ সীগী মীওইশিংনা অদোমগী এ সীগী কৈথেলদা কুইনা কুইনা পোৎ লৈবীয়ু অমদি য়োনবীয়ু, থাংমৈবন্দ এ সীসু, য়াইস্কুল এ সীসু, শগোলবন্দ এ সীসু, থোংজু এ সীসু, উরিপোক এ সীসু মথক্কী ৱাফমশিং অসি ঙাক্না চৎপীয়ু।

কোভিদ লায়না অসি নেচরনা পীরক্লবা মীদি য়াল্লকপা অমদি লমদি চাওথোরক্তবা মসিবু কন্ত্রোল তৌনবা শেন্বীবা মপুগী খুদোল অমনি। ক্লবনা, লৈঙাক্না লমলোং কৈথেল কনসি, কোভিদ শন্দোকহল্লোই হায়রবদি মথক্কী ৱাফমশিং অসি ঙাক্না চৎমিন্নবা মীয়ামদা সজেসন তৌজরি। এ সী-এ সীগী এম এল এশিংনা হন্না য়েংবীদ্রবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা, য়াম্না ৱানা হোম ক্বারন্টিন তৌরিবা, নীংবা কায়রবা মীওই অমনা অহিং অথেংবদা থোরক্লগা অতোপ্পা এ সীশিংদা চৎলগা মখল কয়াগী দুকান্দা, হোটেলদা, য়ূম্লক্তা চঙলগা কোভিদ শন্দোকপা য়াম্না লায়বা পান্বেনি। অতোপ্পা এ সীদগী লাক্লগা লমলোং কৈথেলদা কুইনা পোৎ য়োনবীগনু, কুইনা পোৎ লৈবীগনু। মীয়ামদা ৱার্নিং পীদনা ক্লবশিং, মৈরা লূপশিং, হোম বিভাগনা খুদক খুদক্তা লম্বী থিংবগী চৎনবী থাদোক্লসি।

অদোমগী - খাইদেম চাৱাল, খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়

মতম খরদং শাংথনা কর্ফিয়ুসি থম্বীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা ইন্দিয়াগী মীয়াম মীপাইনদুনা লৈনরিবা, পোজিটিভ ওইবা মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা মণিপুরদদি পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৬০০ য়ৌশিল্লক্লবা মতমসিদা মণিপুর পূম্বগী ওইনা হোম দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ভি সীশিং অমদি এস পিশিংদা ওর্দর তাওথদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৭, নিংথৌকাবা ফাওবা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবদগী কৈথেল, দুকান্নচিংবা অমত্তা হাংনখিদ্রে। কর্ফিয়ু অসিনা মী পুন্দ্রবনিনা পোজিটিভ ওইবা মশীং খরা হন্থরগদ্রা খঞ্জবনি। পুলিস পর্সনেলশিংনা মাগী মাগী এলাকাদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা ইতৎ তত্তনা লাকপীদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীরি। মীয়াম্না পোৎয়োনবীশিংগী য়ূমদা চৎতুনা এঞ্জাং, মনা-মশিং লৈদুনা চানরি। লোয়ননা দুকান্দারশিংদা লৌগদবা পোৎ চৈশিংগী অইবা চে পীরগা দুকান্দগী লৌথোকহল্লুরগা লৈদুনা শীজিন্নরি। অসুম্না ৱানা লেল্লবসু লায়না অসি নাদ্রগা লোইরে খন্নদুনা অৱাবসি খাঙনরি।

মরকসিদা ঙসিগী রেদিওগী পাউদা মনা-মশিং অমদি পোৎ চৈ য়োনবা খরগী কর্ফিয়ু কোমথোক্লে হায়না লাউথোকপীরকপসিদা অসুক্কী মতিক মীপাইজখ্রে। লৈঙাক্না মিনট কাংদনা লাউথোকপীরিবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চত্তবা ময়াম অমা য়াওরিবনি। লল্লোনবী অচৌবা অমনা য়োন্নবা পুরক্লিবা পোৎ অদু লল্লোনবী মচাশিংনা লৌবা ফংহৌনবা মুন্নবদা পোৎ পুরক্লিবীদুদা ওমশিন্দুনা মুন্নবদা লল্লোনবীদুগী মশক ফাওবা উবা ফংদবনি। কোমথোক্লে হায়রবনিনা য়োনফম লৈতনা লৈরম্বা পোৎ চৈশিংদু কৈথেলদা য়োনবা পুরক্লনি। লৈগদবা মীওইশিংদুসু অমগা অমগা মুন্নরনি। মরক্তুদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ পোজিটিভ ওইবা য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মরম অসিনা কোমথোকপীরিবা অসিনা নাবগী চাংদি অসুক্কী মতিক হেনগৎলক্লনি। শিবগী চাংসু য়াম্না ৱাংখৎলক্লগনি হায়না মীপাইজবদগী ৱারবসু ৱানা মতম খরদং শাংথনা কর্ফিয়ু অসি থম্বীয়ু। মসিনা নাবগী অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি খরদং ওইরবসু লাকশিনবা ঙমগনি খঞ্জদুনা এটিরদা চিঠি অসি ইজবনি। লাল্লবসু খঙদবনা তৌরিবনি খন্না ঙাকপীয়ু।

অদোমগী - এন লৈরেন, নাচৌ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট

চেন্দুনা হিংগদবা মাল্লক্ত্রবনি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈখিদবা মীনা মশীং অসুম-অসুম য়াল্লক্লবা করিনো তৌগদৌরিবা? শ্বর কাবক-কাবক হোন্দুনা হিংজরিবা মীওই ফাওবা মশানা মশাবু থাজদবা হায়বদুমা নমদনা ওইদৌরবনি। অমনা অমবু থাজনদবগী চাংসু হেনগৎলকপা লেপ্তবনা য়ূমদগী হেন্দনা লৈবনা খ্বাইদগী অফবা ওইরক্তদৌরিবনি। কোয়চৎ চৎতুনা হিংনবনি হায়দুনা অচোপ-অরেম খঙদবা মখৈ শূ-নোমজরিবা শিন্মী কয়া অয়ৌবী থাক্কী অৱাবা হায়বা অদুমা মায়োক্নরবনি। মপান থোক্তুনা কদায়দা করি তৌরুনি। মফম-মফম খুদিংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবা কৌবা কাঙলূপসিবু পুংতুম তুমহল্লগে হায়না লৈজবী থানা অয়ৌবী থাক্তা খোঙদারকপা কোভিদ-১৯না ঙমহনবা য়াবা নত্তে। নমদনা মালেমদগী কদায়দনো অমদা তান্দবা য়াদ্রবনি। মীওইবা কাঙলূপসিবু লাক্না-লাক্ননা হিংহনবা য়াদেকো খন্দুনা অয়ৌবা থাক্তা ওৎলিবসি মসিমক ওইরবনি। হন্দক্কী অনীশুবা কোভিদ-১৯গী ৱেভসিনা কয়া য়াম্না শাথীবা ওইরক্লিবা ফীভমসিনা তশেং তশেংনা তাক্লক্তদৌরবনি। পোজিটিভ ওইবগী চাং নোংম-নোংমগী মশীং অসুমক হেনগৎলকপা মরম্না হিংবদা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া অমগী মমল হেনগৎলকপা, মসিবু করম তৌরগা থিংগদৌরিবা? হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভমসিদা কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংগী ওইনা কম্ম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং হাংদোক্লবা থবক লৌখৎলকপা লাইচৎ লাইওংসিনা ঙমগদবা মান্দ্রবনি। অৱাবগী পনখৈ নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা মরকসিদা দুকান্দার কয়া অমনা লৌনীং-লৌনীংবা মমল লৌরকপা মসিসু অদুমক য়াওরক্লবনি। মমল হেন্না য়োন্দনবগীদমক লৈঙাক্কী ওইবা পূম্নমক দুকান্দার খুদিংমক্না ঙাক্না য়োনবা য়াগদৌরিব্রা? য়াম্না মরু ওইবা অমনা কৈথেল অচৌবদা ফল্লিবা দুকান্দার কয়াদি করিগুম্বদা পোৎকী মমল থেৎতুনা য়োন্নদ্রি, মসিসু অদুমক মরৈবনি।

অমরোমদা অমুক য়েংলগনা খুল্লক লৈরক্তা দুকান ফল্লিবা দুকান্দারশিংনা য়োল্লিবা পোৎলমশিং মাগী মাগী অপাম্বা মমলদা লৌবা ওইনা তৌরবনি। কৈথেল অচৌবশিংদা ফল্লিবা দুকান্দারশিং অয়াম্বনা চ্যেক লাক্কদ্রা হায়বগী চিংনজবা অমা য়াওদবা নত্তে। পোজিটিভ ওইরবা অশিবা হকচাং লৈকায়গী, খুলগী পোৎলোইফম (ক্রিমিটোরিয়ম) দা পোৎলোইবসি য়াইগা য়াদেগা হায়বগী ঈরাং অমদি অদুমক থোক্তে করম্নবু হায়রসিগে। লৈকায়না য়াদ্রবদি করিনো তৌগদৌরিবা? খঙদেদা করি তৌরগা ফগনি ফরোই হায়বগী তং তাবা খঙনদবা হায়বদু তশেং-তশেং না ওইরক্তদৌরিবনি। মাংলমচৎতসু তুংলমচৎতসু অমুক হন্না থোক্লরোইদবা থৌদোক হায়বদুমা হন্দক্কী লাইচৎসিনা ওইদৌরবনি। কৈরোই লৈকায়নি হায়দুনা চঙন-খোৎনবা ফাওবা হরাওনদ্রবা মশা মশাগী ইমুংগী মীওইশিংখক্তমক মপান থোক্তনা থোঙ্গাল লোল্লগা লৈনবনা অয়াম্বা ওইরবনি। অমনা অমবু থাজদবগী য়ক লাওবা তাঞ্জা হায়বা অদুমা ওইরবা মতমসিদা করিনো তৌগদৌরিবসিবু? শেঞ্জাও পায়বা মীওইসু, শঙ্গ লৈবা কয়া পূম্নমক অচান-মীরাই খাইদনা ঙম্নমক তাইবঙদগী লৌখৎলগনি হায়দুনা লাইরৈবাক্তগী খল্লগা থারকপা যম রাজগী দুতলা হায়বসু খঙদ্রবনি। মীওইবা কাঙলূপ্না ঙমদৌরিব্রা নৎত্রগা অরুবা ৱাফম হায়বদুমা ওইরবনি। তৌবগীবুদি মীওই খুদিংমক্কী ৱাখলদা খোইরেন মশা পাইনবগী থৌওংদুমা ওইরক্লবনি। খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্বা পোজিটিভকী নুমিৎ কৈদৌঙৈ ওইদৌরি? অখঙ অহৈ য়াল্লবসু মসিমদি খঙবদা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। দুকান্দারশিংনা কোভিদ-১৯গী অৱাবা মরকসিদা পোৎ চৈগী মমল হেন্না য়োনবগী থবক তৌদনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীওইশিংনা ইতৎ তত্তনা দ্রাইভ তৌবগী তঙাইফদবা ওইরক্লবনি।

লাইচৎ লাইওংসিগীদমক লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া ঐখোয়গীদমকনি। মসিদা ফত্তেদা হায়দৌরিবা মীওইদু লৈবু লৈরম্মোই। মীওই খুদিংমক ভেক্সিন তঙাইফদনা কাপ্পদা ঐসু শোয়দনা কাপকদবনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা থবক ওইনা ওন্থোকপদা মাঙনীংঙাইগী মরমদি লৈররোইদবনি। হয়েং হয়েং হায়দুনা য়েথোকপগী থবকসিমা হন্দক্কী মতাংসিদদি তৌদবনা খ্বাইদগী ফরগদবনি। হন্দক্কী লাইচৎ লাইওংসি থাজদবা য়াবা নত্তে। হিংদবা য়াদবনা হিংনবগীদমক থৌশাদবা তৌবীগনু। পোজিটিভ ওইবা খুদিংমক শিগদবনি হায়বা লৈতবা মরম্না ঐখোয় ইশা ইশানা পোজিটিভ ওইদনবা তংদু লৈতানা লৈনবগীদমক তৌফম থোকপা থবক কাউথোকপা য়াবা নত্তে। ৱানরবা মতমসিদা লৈঙাক্না নফসাগী চেঙ অমদি পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসি মতম চানা পীবীনবা হোৎনবীবদা মীওই অমত্তনা ৱারৌবা তৌররোইদবনি।

অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল

ষ্টেটকী পাউ

‘পোৎলমশিং লৈঙাক্না ফংহল্লু’

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস): শাথিরবা মালেমগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী তম্পাক লমদম য়াওনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট চূড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুলদা কর্ফিয়ু থমজিনখিবদগী শুরগা চাবা মীচম মীয়াম য়াওনা মাইগ্রেন্ট শিন্মীশিং য়াম্না ৱানরে হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুরগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা- মতম চানা লায়েংবা ফদবা, চখোক-চৎশিন্দা অপনবা ময়াম লৈবা, লৈগে হায়রবসু ফংদবা, মতম কুইনা লীবা য়াদবা মনা-মশিং পুথোক্লিবা লৌমীশিং য়াম্না ৱানা নোংমদা লুপা ১০০/২০০খক্তং তেক্লি তেক্লি এঞ্জাং-নাপী য়োল্লগা ইমুং মেন্নরিবা মীওই কয়াদি মকোক্তা খূৎ হাপ্পরে। তঙায় ফদনা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্নবা কর্ফিয়ু থমদবদি য়াদবা, অমরোমদা শুফম নোম্ফম কয়া অৱাফমদা তারি হায়রি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লাইচৎ অসিগী য়েংদুনা মরু ওইনা লায়রবা ইমুংশিংদা নোংমগী চঙবগা য়াম্না অচা-অথক লৈঙাক্না লেপ্না ফংহল্লি। মদু মণিপুরদদি মদুগী চপ চাবা যৌশিল অমত্তা শীনবা থেংনদ্রি। লম্লাই ওইনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা ইমুংশিংদা য়েম্বেংগবদি লৈ। অদুবু পীরিবা খর’সিনা মেনখৎপদি ঙম্বা নত্তে।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীল্লবা শেল-থুম শোখবা ষ্টেট অসিদসু লাইচৎ অসিগী চেকশিনবা ৱাৎপা এস ও পি অমসু লৈঙাক্কী অহোবা থৌশীলনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী চাংচত্তা মী খ্বাইদগী পোজিটিভ ওইবা অমসুং মী শিবগী চাং খ্বাইদগী হেনবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লৈঙাক্না হেল্থকী এক্সপর্ট তোঙান তোঙানবা লোয়শঙগী মীহুৎ সী এস ও য়াওনা তানরগা করম্বা অহোংবা থৌশীল পুথোকসিগে খনফম থোকই। লোয়ননা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা টিকা থাবগী থবক হৌজিক লৈরিবা মওং অসিদগী পাক-শন্না ৱার ফূটিংদা তৌহঞ্জনিংই।

অমরোমদা, মতম কুইনা লাইরিক তম্বা ফংলক্ত্রবা মহৈরেয়শিংগীদমক এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট বোসেম, কোসেম তানদুনা ওনলাইন মখা চত্থনবা খন্নফম থোকই। শীজিন্নবা য়াবা মোবাইল ফোন মিন্স অমা তৌবিদুনা মশাগী মোবাইল লৈজবগা মহৈরোইশিংগীদমক খল্লগা লৈঙাক্না ফংহনবা অমসুং লম্লাইদা য়ৌজবা হৌজিক চেঙথেম্বাকপুক ফংহন্নরিবসি থাঙ-থোক অদু অতৌ এঙ্গাং-নাপী হায়রিবা থাওবসু ফংহল্লু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

১৩০শুবা পুখ্রম্বা কাজাউ নীংশিং পালন পাক-শন্না তৌবা য়ারোইদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস): কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুরী ৱারগী মচিন মৈ মুখিবা বৃটিশনা মে ২৫দা ফাঁসি তৌদুনা হাৎপীখিবা পুখ্রম্বা কাজাউগী দেথ এনিভর্সরি থৌরম কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা পাক-চাউনা পাঙথোপা য়ারোইদৌরি। মসিমক পুখ্রম্বা কাজাউ মেমোরিএল ট্রষ্টকী য়াম্নমক নুংঙাইজদবা ৱাফম অমনি হায়না ট্রষ্ট অসিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। কাংমোং ভিলেজ হায়রিবা পুখ্রম্বমগী পোক্লফম লমদম অমসুং মাগী মোংফমলেন অমদি অচৌবা মীতম লৈবা খুভম লৈরিবা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্না চহী খূদিংগী চাউনা পাঙথোকচদুনা লাকপনি। অদুবু কুমসিদি খুঙ্গং অসিদসু কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইরগা পালন অসি চাউনা পাঙথোকপা য়ারোইদৌরি। মরম অদুনা পুখ্রম্বগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপীনিংবা লৈবাক্কী মীপূম খূদিংমক্না চাউনা পাঙথোক্তবগীদমক নুংঙাইতবা ফাওবীদনা ট্রষ্টকী মায়কৈদগী আপীল তৌরক্লি। অদুবু মে ২৫ অসিগী অয়ূক য়েন্দা অঙনবদা অথৌবা কাজাউগী খুভমশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমজগনি। মসিদা ট্রষ্টকী থৌবুরেলশিংখক্তমক শরুক য়াগনি হায়রি।

ꯁ꯭ꯔꯤ ꯍꯔꯤ / শ্রী হরি শরনম ঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈবীরম্বা **শ্রীখুরাইজম সুনীল সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১২-০৫-২০২১ ইং, কালেনগী নোংমা পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৭-০৫-২০২১ ইং, কালেনগী ৫নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ২৫-০৫-২০২১ ইং, কালেনগী ১৪নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীহরিগী চরন্দা ঈংনা-চিক্না লৈজরুনবগীদমক বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা থৌরম অসি ইমুং-মনুং খক্তংগী ওইনা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা মহাক্না তিন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্না ৱারৌবীরোই।

থৌরম পরেং :-
অয়ূক্কী পুং ৭.০০ - থৌরম হৌবা
অয়ূক্কী পুং ১০.৩০ - থৌরম লোইবা

বিনিতগণ ঃ-

১. খুরাইজম ওংবী ইন্দিরা (মমা)
২. খুরাইজম ওংবী শান্থলেম্বী (মতৈমা)
৩. খুরাইজম ওংবী রেবীকা দেবী (লোয়নবী)
৪. খুরাইজম নীঙোল মেতা (মচননুপী)
১. খুরাইজম তোমচা সিংহ (মপা)
২. খুরাইজম কোমোল সিংহ (ময়াম্বা)
৩. খুরাইজম নারেস (ইবুংঙো) (মচানুপা)

সগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক, ইম্ফাল।
HL-P/9749/15 # 9856334749 / 8131985578

ꯑꯃꯥꯡꯊꯣꯡ/অমাংথোঙ অকোয়বদা পোম্বা, অমাংথোঙ মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক শৌবা, খোং হাম্বা লোইরগা হৌগৎপদা কপ্লাক মরী নাবা অমদি মীৎ তন্দন পাইবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা, অমাংথোঙ নাবা অমদি শাগৎলকপা ফহনবগীদমক ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশং নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুগুম পোল্লম্বা, মতম খরগা লৈরগা অমাংথোঙ অকোয়বদা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদুনা মরম ওইরগা খোৎলুবা মতমদা অমাংথোঙ অকোয়বদা তৎপা, খোং হাম্বদা তিলকুপ য়াম্না থোকপা, অমাঙথোংদা চিক্লি নারি তৌরগা লৈবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙ নাবা অমদি শাগৎপা, খোং মপূং ফানা হাম্বা ঙমদবা, খোং হাম্বদা অকনবতা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙ মনুংদা অকনবতা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙ মনুংদা খোত্তৎলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোং হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কপ্লাক মরী নাবা, মীৎ অনী তন্দন পাইবগুম তৌরগা কোক ঙাওবা অদু ওজা রিয়াজউদ্দিন, ☎ **7085494783, 9856797338** দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঙসি ঐগী ইফমদা লৈরম্বা অনাবা পূম্নমক ফরে। মরম অদুনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-**(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.**

থাগৎচরিবা : **Sankar**
Awang Sekmai
HL-P/9615/15

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-P/9658/21/4-22/5

Naorem Ibomcha

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-P/9231/15/3-16/4

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।